HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



মহিলা কাব্য মন্স মণিপুরনা শীন্দুনা ক্বাকেথেল মোইরাং পুরেলগী দোশুয়ালি হোলদা পাঙথোকপা ১৫রক শুবা শৈরেং শেদিন্নবগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর ওইরম্বী ডা. কে সোবিতাদা শকখঙচে পীদুনা ইকায়খুম্নবা

থম্মোয় পাউদম : ফিসেৎ-ফিজোল (এপিয়রেন্স) না ... লামায় ২

লামায় ৪ কা হেন্না নোইবশিংগী অরূম্বা হস্থহল্লি হায়রিবা চাংশন...

'ঐখোয়গী খোঙথাং হৈশিংবা তাই' লামায় ৫

লামায় ৬ লৌ শুরিবা লৌমীশিং ঙাক শেনবগী মতম অয়ুক ...

পি এম এম এল সোসাইটিগী মীফমদা নেহরুগী... লামায় ৮

লামায় ১০ ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ : এটলেটিকো মাদ্রিদনা...

মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অমগা অমগা লোল ফাওনদুনা অমত্তা ওইবগী শক্তম শাগৎনবগী পান দমদা চথরক্লিবা সম্মর কেম্পগী মনুং চন্না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বীদা লৈবা মহৈশঙ অমগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা




Vol. 49, Issue No. 085 | য়ুমশকৈশা, ইঙাগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 25, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## হোম মিনিষ্ট্রিনা মীতৈগী সী এস ওশিংগা জুন ২৭তা মীফম পাঙথোক্নবা খঙহল্লক্লে

# অমুকোগী ওইনদি শরুক য়ারুগদ্রা-য়ারোইদ্রা খঙদ্রি

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১২শুবা মীখল মতুংদা লীংখিবা লৈঙাক্তু ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা রিজাইন তৌহল্লগা থা অদুগী ১৩দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপদগী অহানবা ওইনা মীতৈ অমসুং কুকিগী সী এস ওশিংগী মীহুৎশিং এপ্রিল ৫, ২০২৫দা দেল্লীদা উনহন্দুনা ৱারী শানহনখ্রবা মতুংদা অহুল্লকশুবা ওইনা মীতৈগী সী এস ও খরদা থা অসিগী ২৭তা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা মীফমদা শরুক য়ারনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) না খঙহল্লক্লে হায়রি।




হীরম অসিগী মতাংদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশন (অমুকো) গী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোরকপদা থা অসিগী ২৭তা মীফম পাঙথোক্লগনি অমসুং মীফম অসিদা শরুক য়ানবগী ৱাফম অদু হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈরিবা এস আই বি (মণিপুর) গী খূথাংদগী থা অসিগী ২১গী নুংথিলদা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

ৱাফম অসি মিনিষ্ট্রি অসিগী মখাদা লৈরিবা ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী খূথাংদা এস আই বি মণিপুরদা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না হায়রকপা ওইরমগনি খল্লি। করিগুম্বা মীফম অসিদা অমুকোনা শরুক য়াগদবা ওইরবদি থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা দেল্লীদা থুংলুগদবনি। অদুমকপু ঙসিমক্কী ওইনদি মীফম পাঙথোক্লগনি হায়দুনা শরুক য়ানবা খঙহল্লকখ্রবসু অমুকোগী মায়কৈদগী চৎতুনা শরুক য়ারুগদ্রা নৎত্রগা য়ারোইদ্রা হায়বগী ৱাফম লৈখাই তাদ্রি হায়রকখি।

হন্দক পাঙথোক্কনি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# এম এল এ ৫৯গী কুমজা ২০২৫-২৬কী এল এ দি পিগী গ্রান্ট-ইন-এইদকী অহানবা ইন্সটোলমেন্টগী লুপা ক্রোর ২৯.৫০ সেঙ্কশন তৌখ্রে

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহী ২০২৪গী লোইশিল্লকপা শরুক্তা তদুবী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, এন কায়সি লৈখিদ্রবা মতুংদা লৈহৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী এম এল এ ৫৯গী কুমজা ২০২৫-২৬কী এম এল এ লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এল এ দি পি) শিং থবক্তা পাঙথোক্নবগীদমক গ্রান্ট-ইন-এইদকী অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী লুপা ২৯,৫০,০০,০০০গী শেনফম মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ এপ্রুভেল

**ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুর এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লকপনা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ২০৮দগী ২১১ ফাওবগী প্রোভিজনশিং চৎনহন্দবনা শেনফম অসি ষ্টেট লৈঙাক্না সেঙ্কশন তৌবা য়াব্রা-য়াদব্রা হংনরক্লি**

অমসুং এক্সপেন্দিচর সেঙ্কশন পীখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা সেক্রেটেরিএট : রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ দিপার্টমেন্টকী (মোনিটরিং সেল) গী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (মাহুদ)-লিঙ্কনা থা অসিগী ১৬তা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা ওর্দর অদুগী কোপিগী মতুংইন্না শেনফম অসি মেজর হেদ : ২৫০৫-রুরেল এমপ্লোইমেন্ট, সব-মেজর : ৬০-অদর প্রোগ্রাম, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## বি জে পিগী মখূৎতগী মণিপুর কনবা মথৌ তারে : এ এ পি



**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** বি জে পিগী মখূৎতগী মণিপুরগী মীয়াম কন্নবা হোৎনরগনি হায়না আম আদমি পার্টি (এ এ পি) না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি প্রেস ক্লবতা পার্টি অসিগী নোর্থ-ইষ্ট ইন চার্জ রাজেশ শর্ম্মানা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবা, লো এন্দ ওর্দর কায়থরক্লিবা অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ইনমেটশিংনা ফোঙদোরক্লিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মণিপুরগী বি জে পিগী লুচিংবা অমসুং এম এল এশিং হোম মিনিষ্টরনা হৈবোং মনুংগী তীল ওইনা উবীরব্রা : এম এল এ লোকেশ্বর

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :**



মীতৈ অমদি কুকিশিং হান্না নুংশিনবা পুরক্লিঙৈদা ষ্টেট অসিদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট শেমখিরোই হায়না হোম মিনিষ্টরনা হায়রকপদা ষ্টেট অসিগী বি জে পিগী লুচিংবশিং অমদি এম এল এশিংনা ৱাহৈ অমা ফাওবা খুন্না ঙমদনা তূমিন্না লৈশিল্লিবসি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মখোয়বু হৈবোং মনুংদা লৈবা তীল ওইনা উবীরব্রা হায়না কোংগ্রেস এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী চনুংদা লৈবা য়ুনাক্কো স্কুলগী অহানবা চহীগী মেরিটোরিয়স এৱার্দ ২০২৫ য়েন্থোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াবা লাকখিবদা পাউমীশিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ঐখোয়গী এম এল এশিং স্কুল ছুটি থাদোকপদৌনা লৈরে : ইমাগী মৈরা



**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মীতৈগা কুকিগা য়ানবা পুরক্লিফাওবা মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক শেম্বা ৱাগনি হায়খ্রিবসি ফীভম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রদুনা বি জে পিগী মওং-মরীল তাদবা লৈঙাক্কী থৌওং উৎথোকপনি হায়না ইমাগী মৈরাগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সুজতানা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না ঐখোয়গী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## নম্বুল তুরেল ফ্লদ ষ্টেজগী থাক্তা চেল্লে নোং লেপ্তুনা চুরক্লবদি ঈচাও মায়োক্লরকপা য়ারি



**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী মরু ওইবা তুরেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নম্বুল তুরেল অমদি ইরিল তুরেলগী ঈশিং ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা ৱার্নিং লেভেলগী মখাদা লৈরবসু নম্বুল তুরেলদি ফ্লদ ষ্টেজগী থাক্তা চেল্লে হায়রি।


ইম্ফাল তুরেলগী ঈমাইসু লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপনা হান্না কায়খিবা খুরাই হৈক্রু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

भारत सरकार
Government of India

"সম্বিধান হাত্য দিবসনা কন্সটিট্যুশন ওফ ইন্দিয়াবু থুগায়খিবদা করি থোকখি হায়বশিংদু অমুক হন্না নীংশিংহল্লে। নুমিৎ অসিদা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অমুবা তাঙ্কক অমা ওইহনখিবা ইমর্জেন্সিগী অহেনবা থবক থৌরমশিংদা চৈথেং পীখ্রবা মীওই পূম্নমক্না ইকায়খুম্নবা উৎকদবনি।"

- নরেন্দ্র মোদি
প্রাইম মনিষ্টর




হন্না পুরক্তুনা, মমি তাহন্দুনা অমসুং নীংশিংদুনা
ইমর্জেন্সি থমজিনখিবা চহী ৫০ মপূং ফারকপদা

সম্বিধান হাত্য দিবস ২০২৫

নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অমুবা লাতম অমা




ইমর্জেন্সি পাউগী ক্লিপ্পিং, ২৭ জুন, ১৯৭৫

চীফ গেষ্ট
শ্রী অমিট শাহ
ইকায়খুম্নজরবা হোম অমসুং কোওপরেশন মিনিষ্টর

২৫ জুন ২০২৫। ২. ০০ পি এম

মফম : থ্যাগরাজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স, দেল্লী

মরু ওইবা থৌরমশিং

ইমর্জেন্সিনা পীখিবা শাফূদা অখন্নবা প্লে

'লোঙ লিভ দেমোক্রেসি' হায়বা পান্দমদা এগজিবিশন

ইমর্জেন্সিদা য়ুম্ফম ওইবা শোর্ট ফিল্মশিং উৎপা

'পৱার ওফ দেমোক্রেসি' দা খূৎয়েক্কী ত্রিব্যুট পীবা

শরুক য়াগদবা ইকায়খুম্নজরবশিং

শ্রী অশ্বিনি ভাইষ্নাও
ইকায়খুম্নজরবা মিনিষ্টর ওফ রেলৱেজ, আই এন্দ বি এন্দ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ আই টি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

শ্রী গজেন্দ্র সিংহ সেখৱাট
ইকায়খুম্নজরবা মিনিষ্টর ওফ কলচর এন্দ টুরজিম, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

শ্রী ভিনাই কুমার সক্সেনা
ইকায়খুম্নজরবা দেল্লীগী লেফটিনেন্ট গভর্ণর

শ্রীমতি রেখা গুপ্তা
ইকায়খুম্নজরবী দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর

দি দি ন্যুজদা লাইভ টেলেকাষ্ট য়েংউ

অকুপ্পশিংগীদমক স্কেন তৌ

CBC 09101/13/0005/2526